**93.** চীংশোম্বনা মনাওনুপা শনোংবগী হি ৱায়রগা তোংবদা করিদা থেংজিন্দুনা কায়খিবগে।

(1) হিগী - মবুক্তা (2) হিগী - মনিংদা

(3) হিগী - ময়াইদা (4) হিগী - হিরুদা

**94.** শানোংবনা ময়াম্বা নিংথৌগী মথক্তা লম্মন খুমগে হায়দুনা লাম্মী খোল্লগা লান্দাখি। মহাক্না খোমখিবা লাম্মীদু করি লাম্মীনো ?

(1) মুসলীম লাম্মী। (2) খাগী লাম্মী।

(3) মৈতৈ লাম্মী। (4) অহোম লাম্মী।

**95.** নিংথৌ খাগেম্বা অমসুং মনাওনিপা অনিগী মরক্তা শোক্লখিবা লাল অদু থা কয়া চুপ্পা শোক্লখিবগে ?

(1) থা মরী। (2) থা মঙা। (3) থা নিপাল। (4) থা অহুম।

**96.** খাগেম্বা নিংথৌনা মনাওনুপা চীংশোম্বগা হিয়াং কুমজনবা থৌরমদা হি তান্নে। মদু খৃষ্টগী চহী কয়াদনো।

(1) ১৭০৩। (2) ১৬০৩।

(3) ১৫০৩। (4) ১৪০৩।

**97.** লান্দা মায়থিরবা মুসলমানশিংবু নিংথৌনা খুন্দা লৈতাহন্দুনা লৈহনখি। মফমদু করি হায়না কৌখি।

(1) পাঙল সিফাই। (2) কংলা সিফাই।

(3) ক্বাক সিফাই। (4) শুগ্নু সিফাই।

**98.** নিংথৌনা হায়বা য়াদ্রবদা শানোংববু করি দণ্ডি পীখি ?

(1) অৱাদা চেনখি (2) তাম্থোকপদা চৎলু য়াখিদে

(3) মণিপুরদগী তাম্থোকখি (4) মমাগী ময়ুমদা চৎহনখি

**99.** মণিপুরদা ঙল্লিঙৈদগী মুসলিম চংশিল্লকপা হৌরগসু লৈবাক নিংথৌ খঙনা মশীং য়াম্না চঙশিল্লকখিবসি করম্বা নিংথৌগী হাক্তক্তগীনো।

(1) মৈদিংঙু মারজিৎ (2) মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহ

(3) মৈদিংঙু কিয়াম্বা (4) মৈদিংঙু খাগেম্বা

CAREERINDIA

**মখাদা পীরিবা শৈরেং অসি মুন্না পারগা মখাগী ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম পীয়ু।—(ৱাহং 100-105) ঃ**

উরু অমা তুপ্পদা

থৱায় অসি শেক্লিবা

ফৎমন্দেকো নখোয়সে

নরু তুম্না মাঙলনি।

উচেক - ৱায়া লাক্লরোই

শজি শঙাই উররোই

নোংসু তাবা লৈররোই

নুংশিৎ মৈবু ওল্লনি।

মতমদুদা খঙলনি

উপাল ঐখোয় ইগুনসে।

**100.** 'উচেক-ৱায়া লাক্লরোই' হায়বা সেন্তেন্স (ৱাহৈ-পরেং) অসি—

(1) কমপ্লেক্স সেন্তেন্সনি। (2) ইম্পরেতিব সেন্তেন্সনি।

(3) নেগেতিব সেন্তেন্সনি। (4) ইন্টরোগেতিব সেন্তেন্সনি।

**101.** 'ফৎমন্দেকো নখোয়সে' নখোয়সে হায়না চৈরিবসি কনাদনো ?

(1) উ পাম্বীদনি। (2) মীওইবদনি।

(3) শীং চনবশিংদনি। (4) উ শুবশিংদনি।

**102.** 'মতমদুদা খঙলক্কনি

উপাল ঐখোয় ইগুনসে।'

উপালগী মগুনসি করিনো ?

(1) মী ওইবা অমদি থৱায় পানবা জীবসিংবু হিংহনবনি।

(2) উপাম্বীনা সমাজগী চাওখৎপদা মতেং পাংই।

(3) উ পাম্বীশিংনা মীওইবদা কান্নবা করিসু পীদে।

(4) মীওইবগা উপাম্বীগা মুক্নরক্কনি।



www.careerindia.com

CAREERINDIA

**103.** উরু অমা ককপা মতমদা ৱারিবা ‘ঐ’ অসি কনানো ?

(1) ঈশ্বরনি।
(2) মীওইবনি।
(3) উ-পাম্বীনি।
(4) উচেক-ৱায়ানি।

**104.** করিগী উচেক ৱায়া উরোই দৌরিবনো ?

(1) প্রকৃতিগী অহোংবা লাকপদগীনি।
(2) মহৌশাগী খল কায়রকপদগীনি।
(3) উ য়ানথৎপদগীনি।
(4) মীওইবনা ফৎলক্তবদগীনি।

**105.** করি মরমগী নোং তারোই দৌ রিবনো ?

(1) উ-ৱা য়াম্থৎপননি।
(2) উ-ৱা কা হেন্না থাজিল্লকপননি।
(3) কল কারখানদগী থোরকপা মৈখুনি।
(4) মীওইবনা প্লাস্তিক শীজিন্নবা হেল্লকপননি।

**106.** মমালোন য়াওহন্দনা তম্বসি—

(1) গ্রামার ত্রান্সলেসন মেথদনি।
(2) কলা (Art) য়াওহল্লগা তম্বনি।
(3) দাইরেক্ত মেথদনি।
(4) বাইলিঙ্গ্যাল মেথদনি।

**107.** ওজা অমনা সাইন্স অমসুং সোসিয়েল সাইন্স কী পারা শিজিন্নরগা লোন তম্বী। মসিগী এপ্রোচসি—

(1) দিসিপ্লিন নাইনা লোন তম্বীবনি।
(2) লেঙ্গ্যাজ এক্রোস করিক্যুলমনি।
(3) ওবজেক্তিভ ওইবা লোন তম্বীবনি।
(4) লোন ময়াম শিজিন্নরগা তম্বনি।

**108.** দাইগনোসতিক টেস্টসি—

(1) প্রোফিসিয়েন্সি য়েংবনি থবক পিনবগী।
(2) মহৈরোইশিংগী অঙম্বা য়েংবনি।
(3) মহৈরোইগী অৱাৎপা/অশোনবা পুথোক্লগা ফগৎনবা থৌরাংনি।
(4) মহৈরোইগী অককনবা প্রোগ্রাম অমগী চাননবা এসেস তৌবনি।



www.careerindia.com

CAREERINDIA

**109.** ইন্তোনেসনসি—

(1) ওরগানদা (Organ) খেন্নবনি। (2) নুংশিৎতা (Air) খেন্নবনি।

(3) খোঙ্হোক্তা খেন্নবনি। (4) পিতচ (Pitch)তা খেন্নবনি।

**110.** ওজা অমনা মহাক্কী মহৈরোইশিংগী অশোনবা গ্রেদ খংদোক্লবা টেস্ট অমা শেম্মী। মসি—

(1) এচিভমেন্ত টেস্টনি। (2) এপতিত্যুদ টেস্টনি।

(3) দাইগনেস্তিক টেস্টনি। (4) প্রোফিসিয়েন্সি টেস্টনি।

**111.** করম্বা এপ্রোচনা গ্রামার তম্বদা রুল তমগদবনি হায়বসি থাজবগে ?

(1) কম্যুনিকেতিভ এপ্রোচনি। (2) গ্রামার ত্রান্সলেসননি।

(3) দিদক্তিভ এপ্রোচনি। (4) ইন্দক্তিভ এপ্রোচনি।

**112.** ইভালুয়েসনগী মতাংদা মখাগিশিংসিদগী করম্বনা চুমদবগে ?

(1) ইভালুয়েসনসি তম্বা অমসুং তম্বীবা ওন্নবনি।

(2) ইভালুয়েসনসি মহৈরোইশিংগী অসোন সোন্দা য়েংনবনি।

(3) ইভালুয়েসনসি হেন্না মপুং ওইনা খংনবা য়েংনবনি।

(4) ইভালুয়েসনসি ক্বালিতেতিভ অমসুং ক্বানতিতেতিভ অনিমক ওই।

**113.** ঐখোয়না ইমালোন তম্বসি—

(1) তারগা তম্বনি। (2) ইরগা তম্বনি।

(3) ফোর্মেল ওইবা মফমদগীনি। (4) ঙাংলগা তম্বনি।

**114.** প্রী-রিদিং টাস্ক হায়বসি—

(1) মরুওইবা ৱাখল্লোন হায়রগা ইনোৎ মহৈরোইশিংদা হাপ্পিবনি।

(2) পারিবা লাইরিক্তুদা গ্রামারগী মচাকশিং তাকপনি।

(3) মহৈরোইশিংগী পাবগী হৈশিংবা (skill) য়েংবনি।

(4) অরুবা ৱাহৈশিং অমসুং ফ্রেজশিংগী ৱাহঙ্হোক পিবনি।



www.careerindia.com

CAREERINDIA

**115.** ওজা অমনা নাউন খুদম পিরগা তাকই অদুদগী মসিগী দেফিনিসন পি। মসিগী মেথদসি—

(1) ইন্দক্তিভ অমদি দিদক্তিভ মেথদনি।

(2) দাইরেক্ত মেথদনি।

(3) ইন্দক্তিভ মেথদনি।

(4) দিদক্তিভ মেথদনি।

**116.** ঐখোয়না অককনবা মচাক অমগী টেক্স অমা পাই মসিবু—

(1) অমদগী অতোপ্পা পুথোক্লবনি।

(2) নৈন্নরগা য়েংবনি।

(3) চাওরাক্লা পাবনি।

(4) খুদিংমক পাবনি।

**117.** ওজা অমনা ইবা তমনবগী পাউচেকী রিপোর্ত অমা শিজিন্নৈ। মসিগুম্বা মচাক শিজিন্নবসি—

(1) ওথেনতিক মচাক শিজিন্নবা কৌই।

(2) ইক্সতরনেল মচাক শিজিন্নবা কৌই।

(3) স্কোলাস্তিক মচাক শিজিন্নবা কৌই।

(4) নেচুরেল মচাক শিজিন্নবা কৌই।

**118.** মখাগীশিংসিদগী করম্বনা গ্রামার ফজনা তম্বীবদা চুমদবগে ?

(1) অশেংবা ৱারি শান্নবা ফোর্ম শিংদু পিরগা ঔরাইনবনি।

(2) গ্রামার চিন্‌ফ পুরগা অমসুং ড্রিল তৌরগা তম্বনি।

(3) অশেংবগী ৱারি শান্নবদা ফোর্ম (form) শিং হৈহনবনি।

(4) য়াওফমদা গ্রামারগী চান্নবা চৎনা পথাপশিং উৎপনি।

**119.** কন্স্ত্রক্তিভিস্ট এপ্রোচনা ওজাদা তৌহনিংলিবসি—

(1) মহৈরোইশিংদু মশাগী টেক্সবুক শেমহনবনি।

(2) মহৈরোইশিংদা মশানা হান্না খংলবশিং দুদগী লৌশিং শাগৎহনবদা মতেং পাংবনি।

(3) মহৈরোইদা হান্না শাগৎলবা লৌশিং পিনবনি।

(4) মশাগী করিক্যুলম শাগৎপনি।

**120.** মখাগীশিংসিদগী ৱা ঙাংনবদা সাইক্লিক প্রোসেস (cyclic process) ওইরিবদো করম্বনো ?

(1) অফ-ফত্তা হায়বা

(2) পাউ

(3) ঙাংলিবা মী

(4) তারিবা মী

www.careerindia.com

CAREERINDIA

# PART-V
## LANGUAGE-II
## MANIPURI

কেন্দিদেতশিংনা **Manipuri Language-II** লৌরবদি **পার্ট-V** গী ৱাহং **(121-150)** ফাওবগী পাউখুম পিনবা হোৎনগদবনি।

**মখাদা পীরিবা ৱারেং মতেক অসি মুন্না পারগা মখাগী ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম পীয়ু। (ৱাহং 121-128) ঃ**

মীওইবা ৱাখল খনবা ঙম্বা জীবনি। ঐখোয়না ঐখোয়গী অকোইবদা লৈরিবা অমদি মহৌশা অসি মমুৎতানা খঙনিংবা পোকই। পরিং চুন্না খঙনবা হোৎনবদা চাংয়েং কয়া তৌদুনা শাগৎলিবা ৱাখল্লোনশিং অদু চুম্মী নৎত্রগা লাল্লি হায়নবা হোৎনবা অসি বিজ্ঞাননি। মসিদগী বিজ্ঞান অসি ময়ায় ওইবা যুগতগী তরামাপলশুবা শতাব্দীগী অঙনবা মতম ফাওবদা নেচর্‌যাল ফিলোসোফি হায়না খঙনরমই। বেনজামিন ফ্র্যাঙ্ক লিন্না অসুন্না হায়রমই “Man is a tool making animal”। মীওইবনা হিংননবগীদমক্তা খুৎশু-খুৎলাই শাবা তঙাইফদে। মতমগী মতুংইন্না হেন্না ফবা অমদি নীংথিজরবা খূৎশু-খূৎলাই শাদুনা মীওইবনা নুংঙাইনা হিংনবা অমদি সভ্যতাগী খুমাং চাওশিনহন্নবা হোৎনরি। মসিদা বিজ্ঞাননা য়াম্না মরুওইবা শরুক অমা লৌরি। বিজ্ঞানদি চাংয়েংনি। বিজ্ঞানগী চাংয়েংনা ৱাখল্লোন অমদি থাজনবীশিংবু অচুম-অরান খন্দোকপদা মরুওইবা থৌদাং লৌই। মীওইবগী মপা-মপুগী পারি-পুরী ওইরম্বা হোমো ইরেক্টস হৌজিক্তগী চহী লাক্ষ তরারোমগী মমাঙদা আফ্রিকা অমদি অতৈ লৈবাকশিংদা লৈরমই। মখোয়না নুঙ্গা শাবা শীংজংগুম্বা শীজিন্নরম্বগী খূদম ফংই। চহী লাক্ষ মরিরোমগী মমাঙদা চিনাদা লৈরম্বা হোমো ইরেক্টস-পেকিংমেন হায়না খঙনবা অদুনা মৈ ইহান হান্না শীজিন্নরমই। হোমো সেপিয়ান্স হায়না খঙনবা, মীওইবা ঐখোয়গা খ্বাইদগী নকুবা পারি-পুরীশিংনা অকনবা নুঙ্গা য়াম্না নান্না শাবা খূৎলাইশিং শীজিন্নখি।

বিজ্ঞানগী মতেংদগী হিংবদা চংদবা য়াদ্রবা হীরমশিং - লমগী পাকচাওবা ওন্ননবা পাম্বৈ অমদি মদুগী খূজিং, পোৎচৈ অমদি চান-থক্কবগী অরূম্বা ওন্ননবা খূৎলাই, মতম খঙনবা খূৎলাইশিং মীওইবনা পুথোরকখি। মসিদগী, খৃষ্টনা পোক্কদবা চহী লীশিং অহুমরোম ৱাৎলিঙৈদা চিনা, ট্রাইগ্রিস, ইন্দস অমসুং নাইল তুরেলগী তোর্ব্বানগী তম্পাকশিংদা মীওইবগী সভ্যতা অসি হৌরকখি। বিজ্ঞানগী নিয়ম অমদি ৱাখল্লোন্দগী ধর্ম্ম, রাজনীতি অমদি মীয়ামগী চৎনবীনচিংবদা অহোংবা কন্না লাকখিবসি ইউরোপ্তা রিনেস্যান্সকী মতম তরাতরুকশুবা শতাব্দী অদুৱাইদগী হৌখ্রে।

www.careerindia.com

**121.** করম্বা শতাব্দীদা ইউরোপতা রিনেস্যান্সকী মতম হৌখিবগে ?

(1) তরা মঙা শুবা শতাব্দীদা হৌখি।

(2) তরা তরুক শুবা শতাব্দীদা হৌখি।

(3) তরা হুমদোই শুবা শতাব্দীদা হৌখি।

(4) তরা মরী শুবা শতাব্দীদা হৌখি।

CAREERINDIA

**122.** মীওইবনা নুংঙাইনা অমদি সভ্যতাগী খুমাং চাউশিহন্নবা হোৎনরকপদা কনানা মরু ওইবা থৌদাং লৌবগে ?

(1) মীওইবা মশেল অমগা অমগা নুংশিনবনা মরু ওইবা থৌদাং লৌই।

(2) কলা অমসুং সংস্কৃতনা মরু ওইবা থৌদাং লৌই।

(3) মীওইবগী লমচৎ শাজৎনা মরু ওইবা থৌদাং লৌই।

(4) বিজ্ঞাননা মরু ওইবা শরুক লৌই।

**123.** খৃষ্টনা পোক্কদবা চহী লীশিং কয়া ৰাৎলীঙৈদা মীওইবগী সভ্যতা হৌরকখিবগে ?

(1) চহী লীশিং অহুমরোম। (2) চহী লীশিং মরীরোম।

(3) চহী লীশিং অমারোম। (4) চহী লীশিং অনিরোম।

**124.** চহী লাক্ষ মরীরোমগী মমাংদা চিনাদা লৈরম্বা মৈ ইহান হান্না শীজিন্নরমই হায়না থাজনখিবা অদু করি কৌবগে ?

(1) হোমো সেপিয়ান্স (2) হোমো এনিমেল

(3) হোমো ইরেক্টস (4) হোমো ইরেক্টস পেকিংমেন

**125.** চাংয়েং কয়া তৌদুনা শাগৎলিবা ৰাখল্লোনশিংগী চুম্মী নত্ত্রগা লাল্লী য়েংদুনা হায়নৰা হোৎনবা অদুবু—

(1) বিজ্ঞান কৌই। (2) কলা কৌই।

(3) ৰাংঙুলোন কৌই। (4) সাহিত্য কৌই।

**126.** জীবশিংগী মরক্তা ৰাখল খনবা ঙম্বা জীবসি কনানো ?

(1) য়োংনি। (2) মীওইবনি।

(3) শগোলনি। (4) হূ ইনি।

**127.** হোমো সেপিয়ান্স হায়ন খঙনবা মীওইবগী খ্বায়দগী নকনবা পারী পুরীশিংনা করিনা খুৎলাই ওইনা শীজিন্নরম্বগে ?

(1) য়োৎনা শাবা খুৎলাইনা শীজিন্নরম্মী।

(2) শীজিন্নবা খুৎলাই লৈরমদে।

(3) উ-ৰাশিংনা শাবা খুৎলাইনা শীজিন্নরম্মী।

(4) অকনবা নুঙনা শাবা খুৎলাইনা শীজিন্নরম্মী।

**128.** বিজ্ঞানবু ময়াই ওইবা যুগতগী তরামাপল শুবা শতাব্দীগী অঙনবা মতম ফাওবদা করি হায়না খঙনরম্বগে ?

(1) হোমো সেপিয়ান্স (2) ক্লাসিকেল ফিলোসোফি

(3) নেচরেল ফিলোসোফি (4) ফিজিকোল ফিলোসোফি

www.careerindia.com

CAREERINDIA

**মখাদা পীরিবা ৱারেং অসি মুন্না পারগা মখাগী ৱাহংশিং অসিগী চান্নবা পাউখুম পীয়ু। (ৱাহং 129-135) ঃ**

বোক্সিং য়াম্না কুইরবা গেমনি। চহি ১৫০০ বিঃ সিঃ অদুৱাইদা Ancient Crete তা বোক্সিং চৎনরম্বগী খুদম ফংই। গ্রিকসিংনা লাক্ত্রিঙৈ জুগ কয়ামুক্কি মমাংদগী Aegean দা বোক্সিং হায়বা মসান্ন অসি খংনরকই। Homer গী "Illiad" তা অসুম্না পল্লি মদুদি Achilles না মাগী সিফাই Patroclus পু Hectar না Gates of Troy গী মপান্দা মখোই অনিগী লম্বাদা হাৎখিবদুগী নিংসিংবা ওইনা Games লিংখৎখি। মদুদা সগোল গারি (দোলাই) লমজেল (horse chariot race), খোং লমজেল (foot race), বোক্সিং (boxing), কুস্তি (wrestling) অমসুং নুং লংবী (weight throwing) য়াওই। হায়রিবা অসি Jesus Christ পোক্ত্রিঙৈগী চহী ১০০০ গী মমাংগী ৱানি। গ্রিকসিংনা সান্নরম্বা বোক্সিংগী মওংদি থৌনা, পাঙ্গল, খাংবা কনবা উৎথোক্লরম্মী। মসা খিংবা লৈথোক লৈসিন হৈবগী থোইনা খন্নদে। লমহাং অমদা অয়েংবসিংনা কোইসিল্লগা হেক্তা সান্নবনি, রিং সাদে, পোস্ট য়ুংদে, থৌরিনা কোইসিন্দে বাউত অমগী রাউণ্ড কয়ানা সাবা হায়বা লৈরমদে। অমনা হেক তুদ্রিবা ফাওবা বাউত চথৈ। বোক্সরসিংনা খুজেং, খুদাং সোক্তনবা হায়দুনা খুৎতা অথোৎপা সউন থৌরিনা খুদাং ফাওবা য়েৎসিল্লি। মরি সুবা সেনচুরি বিঃ সিঃ গী হৌগৎলকপদদি অকনবা সউন থৌরিনা য়েৎলম্মী। Roman Empire লোইরমদাইদা গ্রিকসিংনা Cestus কৌবা পিথ্রাইগুম্বা ধাতুগী য়োৎপি য়াওবা সউন থৌরিনা খুৎতা য়েৎলগা সান্নরম্মী। মতম অদুদসু বোক্সর অনিগী মরক্তা অমনা তুদ্রিবা ফাওবা বাউত চথরম্মী। মসান্ন অসি মমাংঙৈগী গ্রিকসিংনা অকল অথৌসিংগী পাঙ্গল চাং য়েংনবদা সিজিন্নরম্মী। চহি ৬৮৮ বিঃ সিঃ দা ৩৩ সুবা Ancient Olympiad তা বোক্সিংগা রেস্টলিংগা পুনবা Pencratium কৌবা মসান্ন অমা হৌদোক্লম্মী। মতমদুদা মসাগী অরুম্বা থোইনা য়েংনরমদে। চাওরাক্লা চাওবা মান্নবা, কনবা মান্নগদবা য়েংলগা সান্নহল্লি। Smyrna গী Ona mastor অসি অহানবা Olympic victor সিংগী মনুংদা অমনি। Roman Empire না মরাই চাইথরকপা, Christianity না চাওখৎলকপা মতম অদুৱাইদদি বোক্সিং অসি উবা ফংঙুদ্রে।

Protestant Mercury না সোক ১৬৮১ দা লানমি অমবু সা কক্তুনা য়োনবা নুপা অমনা বোক্সিংদা মাইথিবা পিখিবগী মতাংদা ইরকখি। London না মেজর সিতি অমা ওইনা চাওখৎলকপা মতমদা Prize Fight হায়না খংনদুনা বোক্সিং মখল অমা হৌদোক্লম্মী মদুদা গ্লোবনচিংবা করিগুম্বা মখলগী পোৎ অমত্তা খুৎতা য়োমসিন্দে। পৈসা য়াম্না চাওনা চাওনা থান্নরম্মী। Wrestling সু য়াওবা য়ানরম্মী।

খৃঃ ১৭১৯ দা Oxfordshire গী Themes তা পোকপা James Figg পু England গী চেমপিয়ন্নি হায়না খংনরক্লম্মী। মহাক্না বোক্সিং অমদি থাং হাইবনচিংবা অতোপ অতোপ্পা মসান্ন তম্বীদুনা মীয়াম তিনবা মফমদা মেলাদা বুথ থমদুনা মীয়ামদা উৎথোক্লম্মী। মহাক্না অহানবা ইন্টর্নেসনেল কন্টেস্ট হৌদকখি। মাবু "Father of Boxing" হায়না খংনৈ। George-I গী ওর্দরদগী খৃঃ ১৭২৩ দা Hyde Park তা উপাম্বী অমদি সম্বলনা রিংগী মওংদা কোইসিনবা মফম অমদা বোক্সিং সান্নহনখি। মতম অদুৱাইদগী রিং পোকখ্রে।

**129.** মমাংঙৈদা গ্রীকশিংনা শান্নরম্বা বোক্সিং মওংদা করি করি উৎথোক্লরম্বগে ?

(1) পাঙ্গল চাংয়েংনবা।
(2) মরুপ ওইবগী মতৌ।
(3) থৌনা, পাঙ্গল, খাংবা কনবা।
(4) নুংশিনবা থৌনা চাংয়েংনবা।

**130.** মমাংঙৈদা বোক্সিং চৎনরম্বগী খুদম ফংই মপু চহী কয়াদনো ?

(1) চহী-১৫০০
(2) চহী-১৬০০
(3) চহী-১৩০০
(4) চহী-১৪০০



www.careerindia.com

CAREERINDIA

**131.** বোক্সরসিংনা খুজেং খুদাং শোক্তনবা খুত্তা করি য়েৎশিন্নরম্বগে ?

(1) য়োংগী য়াওবা শউনগী থৌরী য়েৎলম্মী।

(2) করিমত্তা য়েৎলমনে।

(3) অথাবা ফীনা য়েৎলম্মী।

(4) অথোৎপা শউনগী থৌরী য়েৎলম্মী।

**132.** অহাংবা মেনশিল্লু—

— উপাম্বী অমসি সম্বলনা রিংগী মওংদা কোয়শিনবা মফম অমদা বোক্সিং শান্নহনগনি

(1) হায়দ পার্ক (Hyde Park)

(2) অহাংবা লম্পাক্তা

(3) রোমান ইমপায়ার

(4) থেমস (Themes)

**133.** রোমান এমপায়ার (Roman Empire) না মরাই চাইথরকপা খৃষ্টানিতিনা চাওখৎলকপা মতমদা বোক্সিং করম্বা ফিভমদা লৈরম্বগে ?

(1) উবা ফংড়ুদ্রে।

(2) শান্নরুদ্রে।

(3) মমীং তারুদ্রে।

(4) মতম খর লেপ্পুরে।

**134.** গ্রীকশিংনা বোক্সর অনিগী মরক্তা অমনা তুদ্রিবা ফাওবা বাউত চথরম্মী। মসি করিগীনো ?

(1) অঙম্বনা লৈবাক্কী ফমনাইবা ওইনবনি।

(2) অকনবা মশক খঙনবনি।

(3) অকন অথৌগী পাঙ্গল চাং য়েংনবগীনি।

(4) অঙম্বা য়াওদ্রবদি মায় পাকপা কৌরমদে।

**135.** ফাদর ওফ বোক্সিং হায়রগা কনাবু খঙনবগে ?

(1) জোন গ্রাম (John Graham)

(2) জেমস ফিগী (James Figgy)

(3) জোর্জ-1 (George-1)

(4) জেক ব্রাউটোন (Jack Broughton)

**136.** মখাগীশিংসিদগী করম্বা প্রদক্তিভ স্কীলনো ?

(1) ঙাংবা অমসুং ইবা

(2) ইবা অমসুং পাবা

(3) তাবা অমসুং পাবা

(4) তাবা অমসুং ঙাংবা

www.careerindia.com

CAREERINDIA

**137.** পাবা হায়বসি—

(1) ৱাহন্থোক থিবনি।
(2) ময়েকশিংদু ৱাহৈদা পুথোকপনি।
(3) ময়েকসি খোন্থোক্তা হায়বনি।
(4) ৱাহৈশিং বনান তৌবনি।

**138.** মখাগীশিংসিদগী নেস্নেল ইদুকেসন পোলিসি (NEP) 2020 য়াওদবগে ?

(1) স্কুলগী সেকেন্দরি থাক্তা ফোরেন লোন তমগদবনি।
(2) স্কুলদা ঙল্লিঙৈদগী হৌরগা ইংলিশ তমগদবনি।
(3) য়ুমদা ঙাংবা লোন/ইমালোনসি স্কুলদা অহান্বা তম্বদা শিজিন্নগদবনি।
(4) স্কুলগী সেকেন্দরি থাক য়ৌরকপদা ক্লাসিকেল লোন তমগদবনি।

**139.** ক্লাস VII গী ওজা অমনা ৱারি অমা লিদ্রিঙৈদা ৱারিসিগী ৱাখল্লোনদু খংদোকউ হায়। মহাক্না মসি করিগী তৌরিবনো ?

(1) ক্লাসরুমদা ফজনা পানবা সোসিয়েল এক্তিভিতি হেনগৎহনবনি।
(2) মহৈরোইশিংনা ইবা হৌদ্রিঙৈদা স্ত্রাতেজি লৌখৎপনি।
(3) মহৈরোইশিংদা মশানা পান্নবা তৌবনি।
(4) মহৈরোইগী হান্নগী লৌশিংগা শমজিন্নবনি।

**140.** মখাগীশিংসিদগী করম্বনা খোন্থোক ফজনা তম্বদা কান্নবনো ?

(1) ফোনেতিক্স তম্বীবদা
(2) তুমীন্না পাবদা
(3) প্রোননসিয়েসন ঔরাইবদা
(4) হায়বদা ৱাবা ৱাহৈশিং হায়বদা

**141.** মখাগীশিংসিদগী করম্বনা post reading task নত্তবগে ?

(1) মহৈরোইশিংদা টেক্স অমগী অইবদা মখোয়গী ৱাখল্লোন ফোংদোকউ হায়।
(2) ওজানা টেক্সকী অইবগী মতাংদা অমদি টেক্সকী অনৌবা ৱাহৈশিং খংহনলি।
(3) ওজানা মহৈরোইশিংদা ৱারি অমা মথক মখা ওনথোকই অদুগা মথং-মনাও অমুক শেম্মু হায়।
(4) ওজানা মহৈরোইশিংদা পারিবা লাইরিক্তুদগী ৱাহৈশিংদগী অনৌবা ৱাহে শেম্মু হায়।

www.careerindia.com

**142.** এসেসমেন্ততা ফিদবেক সি—

(1) মহৈরোইনা খংদবদু ওজাদা হায়বনি।

(2) সিলেবসকা টেক্সবুক্কা অমুক হন্না য়েংনবনি।

(3) হান্না তমখিদবদু খংদোকপনি।

(4) মহৈরোইশিংনা মখোয়গী অশোন-শোন্দা মখোয়না পুক্নিং চিংশিনগদবা হায়বিবনি।

**143.** মীওইবশিংনা/অঙাংশিংনা

(1) অঙাং লোই নমক্না চপমান্নবা মওংদা লোন তম্মী।

(2) মমালোন তম্বদা য়াম্না ৱানা তম্মী।

(3) মমারোনসি ইৱা-ৱাদনা তম্মী।

(4) ফোরেন লোনসু ইৱা-ৱাদনা তম্মী।

**144.** আশা সি ক্লাস VIII গী ইংলিশকী ওজানি। মহাক্না জোগ্রাফিগী টেক্সবুক্কী পারা পাহনলি অদুগা সবজেক্কী মচাকশিং অমদি লোনগী মতাংদা খংলব্রা য়েংনবা ৱাহৈশিংগী অমসুং কমপ্রহেনসগী টাস্ক পি।

(1) ৱাহৈশিং তম্বনি।

(2) লেঙ্গ্যাজ এক্রোস করিক্যুলমনি।

(3) অতোপ্পদগী মচাকশিং লৌবনি।

(4) জোগ্রাফি তম্বনি।

**145.** ইবগী প্রোসেস এপ্রোচ তু রাইতিংদা য়াওরিবসি—

(1) ওউতলাইন তৌবা, ড্রাফ্ট ইবা, রিভিয়ু তৌবা অরোইবা ড্রাফ্ট, চুমথোকপা অমসুং ইদিত তৌবনি।

(2) ব্রেনস্ট্রোমিং ওউতলাইন তৌবা, ড্রাফ্ট ইবা, অমুক হন্না য়েংবা, রিভিয়ু তৌবা, ইদিত তৌবা অমসুং অরোইবা ড্রাফ্ট ইবনি।

(3) আইদ্যাগী মতাংদা খনবা, ইদিত তৌবা অমুকহন্না ইবা অমসুং অরোইবা ড্রাফ্টনি।

(4) ওউতলাইন ইবা, ইদিত তৌবা অমসুং হন্না ইবনি।

**146.** শৈরেং তম্বা অমসুং তম্বীবগী মরুওইবা পান্দমসি—

(1) কবিদুগী মরমদা অমসুং মহাক্কী মতম খংনবনি।

(2) ৱাখল্লোন নুংঙাইবা, কলাগী নুংগী ফজবা লোন শিজিন্নবা অমসুং শৈরেংগী-খুৎফোক দোকশিং খংনবনি।

(3) লোন তম্বা, গ্রামার তম্বা, শুপচিনবা অমসুং ৱাহৈশিং তম্বগীনি।

(4) চিম্ফা পুবা অমসুং ইশৈশকপাগীনি।

147. ইন্দিয়াগী লেঙ্গ্যাজ-ইন-ইদুকেসন পোলিসিনা মমালোন্দা য়ুমফম ওইবা মল্তিলিঙ্গ্যালিজমদা পান্দম থম্মী। মমালোন্দা য়ুমফম ওইবা মল্তিলিঙ্গ্যালিজম হায়বসি করিনো ?

(1) অঙাং খুদিংমক্না ওফিসিয়েল লোন, ইংলিশ অমসুং ফোরেন লোন অমা তম্মী।

(2) অঙাং খুদিংমক্না মমালোন তম্মী অমসুং মমালোননা মতেং ওইরগসু তম্মী।

(3) অঙাং খুদিংমক্না মমালোন্দা লাইরিক তম্বা হৌই অদুগা লোন অতৈ হাপচিনলকই।

(4) অঙাং খুদিংমক্না স্কুলদা ঙাংবা লোন ইংলিশ অমসুং হিন্দি তম্মী অদুগা মতুংদা ফোরেনগী লোনশিং হাপচিনলকই।

148. মখাগীশিংসিদগী করম্বনা চুম্বগে ?

(a) মমালোন্না অনিশুবা লোন তম্বদা অপনবা পি।

(b) মমালোন্না অপনবসু পিদে ঙাকলৌসু পিদে।

(c) মমালোনসি অনিশুবা লোন তম্বগী লননি।

(d) মমালোন্না অনিশুবা লোন তম্বদা ঙাকলৌ পি।

(1) (b) গা (c) গা চুম্মী।

(2) (c) গা (d) গা চুম্মী।

(3) (a) গা (b) গা চুম্মী।

(4) (a) গা (d) গা চুম্মী।

149. লোন তম্বগী মরু ওইবসি—

(1) লোন তম্বগি তৌদব য়াদবসি মচাক তম্বনি।

(2) লোনগী মচাক তম্বসি অশেংবদি লোন তম্বনি।

(3) লোন তম্বগী মরু ওইবসি মচাক্তা য়ুমফম ওই।

(4) লোনগী মচাক তম্বদা লোনগী মতাংদা খনবা দরকার লৈত্তে।

150. "Engagement with language" সি করিনো ?

(1) মহৈরোইশিংনা চিম্ফা পুরগা লোন তম্মী।

(2) মহৈরোইশিংনা "engagement in language" সি করিনো হায়না তম্মী।

(3) লোনসি করিনো হায়না থিজিন হুমজিনবনি।

(4) মহৈরোইশিংনা লোনগা লোইননা থবক তৌই অদুগা দরকারগী মতুং ইন্না শিজিন্নৈ।

- o O o -

www.careerindia.com

